## খালেদা জিয়াগী ষ্টেট প্রোটোকোল লৈত্রে, ওপোজিসন লিদরশিং লোৎনখ্রে



*ধাকা, জনুৱারি ৯ঃ* বাংলাদেস নেস্নেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) গী লুচিংবী খালেদা জিয়ানা লৈবাক অদুগী জেনরেল ইলেক্সন বোয়কোট তৌরবা মতুংদা মহাক মশা লো মেকর অমা ওইদ্রবা মরমনা মহাক্কী ষ্টেট প্রোটোকোল মাঙখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহি ২৩ গী মতুংদা অহানবা ওইনা মঙোন্দা পীরম্বা সিক্যুরিটি গার্দশিং লৌথোকখ্রে।

পাউ-চেদা ফোঙনরকপা পাউশিং অমদি বি এন পিগী লিখুনশিংনা হায়বদা জিয়াগী পার্সোনেল সিক্যুরিটি টিমগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমসু ওইবা কর্নেল (রিটায়ার্দ) অব্দুল মজিদনা অন্সার অমদি ভিলেজ দিফেন্স পার্টিগী হেদক্বাটরদা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা পীখিবা অইবা চে অমদা অন্সার পার্সোনেল ২২ জিয়াগী সিক্যুরিটি ওইনা পীরক্লবা হায়জখ্রে হায়রি।

হৌখিবা চহি ২৩ অসিগী মনুংদা জিয়াগী ষ্টেট প্রোটোকোল লৈরম্বগা লোয়ননা অখন্নবা ফেসিলিটি খরসু ফংলম্বনি। প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইনা নত্রগা ওপোজিসনগী লিদর অমা ওইনা মহাক্কী অখন্নবা সিক্যুরিটি গার্দশিং লৈরম্বনি। অদুবু ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মহাক্কী গুলসন রেসিদেন্সতা অন্সার ফোর্সশিংনা ঙাক শেনহনবীনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

অন্সারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হায়বদা জিয়াগী লৈফম অদুদা ঐহাক চৎলুরে। অদুগা মখা তানা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা ঐগী ওইবা অইবা রিপোর্ট অমা থাগৎলগনি। মদু য়াবা য়াদবা গভর্নমেন্টনা লেপকনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা দিসেম্বর ২৮ দা পেরামিলিটরি রেপিদ এক্সন বট্টালিয়ন (আর এ বি) অমদি রাইয়ট পুলিসনা মহাক্কী লৈফমগী অকোইবদা কোইনশিন্দুনা শেন্নখিবা নুমিৎ অদুদগী মহাক্কী নোর্মেল সিক্যুরিটি প্রোটোকোলশিং লৌথোকখিবনি। মসিগী মমাংদা লুচিংবী অসিনা হায়খিবদা মহাকপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

অদুবু ৱাফম অদু গভর্নমেন্টনা য়াখিদবগা লোয়ননা পার্টি খরগী লুচিংবশিং অমদি মীরৈবাক্কী এনভোইশিংনা মহাক্কী য়ুমদা উন্নবা লাক্লি। অদুগা মহাক্কী লৈফমদগী কনামত্তবু চংথোক চংশিন অথিংবা থমদে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মদুগী মনুংদগী মহাক্কী পার্সোনেল সিক্যুরিটি টিম অমদা থবক্তা পোত্থারবা আর্মি ওফিসারশিং অমদি লান্মীশিং য়াওদুনা মহাকপু ঙাক শেল্লকপনি।

অমরোমদা বাংলাদেশতা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদু খ্বাইদগী ঈ-নাই তাবা মীখল অমা ওইখিবা মতুংদগী পুলিসনা পাক শন্না রেইদ চথরকপদগী বাংলাদেশতা হৌজিক ওপোজিসনগী মরুওইবা মেম্বর অয়াম্বা লোৎনখ্রে হায়নসু রাইটস গ্রুপ অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিংগী মীখলদা রুল্লিং পার্টিনা কোন্না মায় পাকখিবনি। অদুবু পাঙথোকখিবা মীখল অদুদি লম্বী লমজাওশিংদা পাক্তক্লা খুৎ থোক্লখিবা অমদি ওপোজিসনগী বোয়কোট মতুংইন্না ভোটরশিং নিংথি নুংঙাইনা থোক্লরকখিদবা ফিভম অদুনা মীখল অদু রুল্লিং পার্টিনা চাওনা মায় পাকখিবনি।

মীখলগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১৮ সু পুন্সি মাঙখিবনি। হৌখিবা থা খরা অসিদা ওপোজিসনগী থৌমীশিংনা এটেকশিং, ষ্ট্রাইকশিং অমদি ট্রান্সপোর্টেসন ব্লোকেটশিং কন্না চথবদগী বাংলাদেশতা পোলিটিকেলগী ওইবা ভাইওলেন্স কা হেন্না হেনগৎখিবনি।

ৱাফম অমনা প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনাগী পার্টিনা থাদোকপা মীরেপশিং অয়াম্বনা লম্বা য়াওদনা কাখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী ইরাং খুৎ কন্না লোইশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

## ইরাক্কী আর্মি রিক্রুটিং সেন্টরদা বোম পোকখায়খ্রে

*বাগদাদ, জনুৱারি ৯ঃ* ইরাক্কী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না বাগদাদতা লৈবা মিলিটরি রিক্রুটিং সেন্টর অমদা মশা শিজদুনা বোমগা কোন্ননা মীওই অমনা চথরকপা এটেক অমদা মী ১২ শিখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়বগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক নুপা অদুনা বোমগা কোন্ননা পোকখাইমিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ সু শোকখি হায়রি।

হোস্পিটালগী ওফিসিয়েল অমনা শিবা অমদি শোকপগী মশিং অসি কনফার্ম তৌরকখি। ওফিসিয়েল অনিমক্না মেদিয়াদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপদা মশক মমিংদি তাকথোরকখিদে।

থৌদোক অদু করম্বা লুপ্পা চত্থিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ক্লেম অমত্তা লৈত্রি। অদুমকপু স্যুসাইদ এটেক অয়াম্বদি ইরাক্তা অলকাইদাগী ব্রাঞ্চনা হেক-হেক চৈখে।

ব্রাঞ্চ অসিগী ফাইটরশিংনা মমাং চয়োলদসু বাগদাদকী নোংচুপ মায়কৈদা লৈবা ফালুজাহ অমদি রামাদি হায়বা মরুওইবা সিটি অনি অসি তকখাইখিবনি। ইরাক্কী ফোর্সশিংনসু মখোয়বু তাম্থোক্লবা হোৎনরিবনি। রিক্রুইটিং সেন্টর অসিদা ঙসি চথরক্লিবা এটেক অসিসু মমাংগী মিলিটরি ওফেন্সিভ অদুগী খুৎ হল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়নসু ইরাক্কী ওইরিবা ফিভম নৈনবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

## পাকিষ্টান য়ু এস কী এলাই নত্তেঃ রোবার্ট গেটস



*ৱাশিংটন, জনুৱারি ৯ঃ* মতম পুন্নমক্তা পাকিষ্টানবু খ্বাইদগী হেন্না শৌগৎতুনা লাকপা হান্নগী য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি ওইরম্বা রোবার্ট গেটসনা ইস্লামাবাদ অসি অমেরিকাগী এলাই নত্তে হায়রদুনা লৈবাক অসিনা টেরোরিষ্টশিংবু শৌগৎপগী থৌশিল কৈদৌঙৈদসু থাদোক্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেসকী মমাংদা ঐনা মখোয়বু শৌগৎলবসু লৈবাক অনিগী মরী ফৎচিল্লক্তবদগী থিংনবা হোৎনরবসু অদুগা কারাচিদগী ঐখোয়গী সপ্লাই লাইন খুদোংথিহন্দনবা হোৎনরবসু মতম পুন্নমক্তা লৈবাক অদু ঐখোয়গী ইপাং নত্তে হায়বসি খঙদুনা লাকপনি হায়না রোবার্ট গেটসনা ইবা ফোঙগদৌরবা লাইরিক অমদা পনখিবনি।

'দ্যুটিঃ মেমোয়র্স ওফ এ সেক্রেটরি এট ৱার' হায়বা লাইরিক অদুদা মহাক্না ইং ২০১০ দা পাকিষ্টানদা অনিশুবা অমসুং অরোইবা ওইনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুবু পল্লদুনা ইখিবদা মহাক্না পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অসিফ অলি জর্দারি, প্রাইম মিনিষ্টর য়ুসফ রাজা গীলানি অমদি আর্মিগী চিফ জেনরেল অস্ফক পর্ভেজ কয়ানিগা উন্নরকখিবশিংসু পল্লদুনা গেটসনা হায়খি, মদুদি ইস্লামাবাদনা কৈদৌঙৈদা টেরোরিষ্টশিংবু শৌগৎপগী পোলিসি তোকপা লৈরোই হায়বসি চপ চানা থাজরগা হল্লকখি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐহাক্কী কেরিয়র মনুংদা কনাগুম্বা এদমিনিষ্ট্রেসন অমত্তনা পাকিষ্টানগীদমক প্রসিদেন্ট ওবামানা অমদি মহাক্কী সেনিয়ার টিমশিংনা থাদখিবা মতম অমদি পাঙ্গল অদু য়ৌনা হোৎনরোই হায়নসু কেটসনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি গেটস অসি ইং ২০০৬ কী দিসেম্বরদগী ২০১১গী জুলাই ফাওবা দিফেন্স সেক্রেটরি ওইখিবনি।

মহাক্কী লাইরিক অসি মথংগী চয়োলদা রিলিজ তৌনবা পান্দম থল্লি। চেনা ৬০০ পানবা লাইরিক অদুদা গেটসনা হায়খি, পাকিষ্টাননা করিগুম্বা হিরম খরাখক্তদা য়ু এস কা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা পাকিষ্টান ফাওরগা সপ্লাই লাইনশিং চৎহনবা হায়রিবসিদি শেন্দোংসু ফজনা ফংবনি। অদুবু মতম অসিমক্তদা টালিবান অমদি অতৈ এক্সট্রিমিষ্টশিংবুসু লৈবাক অদুনা চংজফম পীগনি। মরম অসিনা পাকিষ্টানদা কনানা মকোক ওইরিবগে হায়বা য়েংদনা পাকিষ্টাননা মতম পুন্নমক্তা চৈথেং অদুমক পীদুনা লৈগনি। করিগুম্বা সন্তাইনবগী ৱাফম লাকপা তারগদি থৌওং অদু পাকিষ্টাননা কন্ট্রোল তৌনবা হেক্তা হোৎনরক্কনি হায়না গেটসনা ইখি।

ইং ২০০৯ গী মার্চতসু ওবামানা আফগানিষ্টান অমদি পাকিষ্টানগা মরী লৈননা অরুবা ৱাফমশিং খন্ননবা মীটিং কয়ামরুম পাঙথোকখি হায়নসু মহাক্কী লাইরিক অদুদা পনখি।

মতম অদুদা ওবামানা কন্না খনখিবা ৱাখল্লোনদি অফগানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানদা টেরোরিষ্টকী নেটৱার্কশিং শাগৎলিবদু কায়হনবা, অফগানিষ্টানদা মতিক চাবা গভর্নমেন্ট অমা লৈহনবা, আফগানিষ্টানগী সিক্যুরিটি ফোর্স দিভলপ তৌবা অদুগা পাকিষ্টাননা টেরোরিষ্টশিং অমদি ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংবু শৌগৎপা তোকহনবা, লৈবাক অদুদা মীচম মীয়ামগী কন্ট্রোল হেন্না কনখৎহনবা অদুগা য়ু এসনা দিপ্লোমেটিক, মিলিটরি অমদি ইন্টলিজেন্স চেন্নেলশিং শীজিন্নরগা পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অসি হন্থহনবা হায়বসিনি হায়নসু গেটসনা লাইরিক অদুদা ফোঙদোরকখি।

## চাইনাদা বৃটিশ পাউচে ব্লোক তৌখ্রে

*জোহানেসবর্গ, জনুৱারি ৯ঃ* চাইনাদা 'দ গার্দিয়ান' হায়বা বৃটিশ পাউ-চে অদু ব্লোক তৌখ্রে হায়বগা লোয়ননা ব্লোগ তৌখিবগী মরম চপ চাবা খঙদ্রি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

এন্টিল সেন্সরসিপ ৱেবসাইট অমগী ৱারোল পল্লদুনা 'দ গার্দিয়ান' না হায়বদা ৱেবসাইট অসিসু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থিংখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা চাইনাগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পাউ-চে অসিদা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী লৈঙাক মকোকশিংনা লৈবাক অসিগী ইন্টরেষ্টতা শোক্লিঙাই ওইনা হায়না খনগদবা ৱাফম অমত্তা য়াওখিদে। অদুগা পাউ-চে অসি করি মরমগী ব্লোক তৌখিবনো হায়বদুসু চপ চাবা খঙবা ঙমখিদ্রি হায়না নিউজ ২৪ গী পাউ অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি চাইনাগী রুল্লিং কম্যুনিষ্ট পার্টিনা রুটিন ওইনা মীরৈবাক্কী নিউজ ৱেবসাইটশিং হেক-হেক থিংজিল্লি। মদু মখোয়না চুনদবা নত্রগা পোলিটিকেলগী ওইনা অকাইবা ওইবা য়াবা ৱারোলশিং য়াওবদগীনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

নিউয়োর্ক টাইমস অমদি ব্লুম্বর্গ নিউজ ৱেবসাইটসু মতম অমদা হান্নগী চাইনাগী প্রেমিয়র ৱেনজিয়াবাও অমদি প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী লন-থুমগী মরমদা পাউ ফোঙলুবগীদমক চহি অমা হেন্না থিংখিবসু থোকখ্রে। অদুম ওইনমক গার্দিয়ান অমদি অতৈ ব্লোক তৌখ্রবা ৱেবসাইটশিংদা থাদোকপা ৱাফমশিংদি গ্রেট ফয়ার ৱাল হায়না খঙনবা চাইনাগী ইন্টর্নেট ব্লোক্কিং মেকানিজম অসি লাম্থোকপা ঙম্বা ভর্চুয়েল প্রাইভেট নেটৱার্ক্স অসিগী মীওইশিংখক্তদা ফঙহনবনি হায়রি।

## জপান কেমিকেল প্লান্ট অমদা পোকখাইখ্রে, ৫ শিখ্রে

*টোকিও, জনুৱারি ৯ঃ* সেন্ট্রেল জপানদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি অমদা পোকখাইবগী থৌদোক অমা থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিরে অদুগা ১০ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না থৌদোক অদু জপানগী মিটসুবিসি মেটেরিয়েলস কোর্পোরেসনগী মেটেল অমসুং কেমিকেল কম্পেনি অমদা থোকখিবনি হায়রি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা পুন্না মীওই ১৭ শোকখি হায়নসু ফয়ার দিপার্টমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অশোকপশিং অদু অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুশিনখি। পুলিসনা হায়বদা অনিদি শিরে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু ক্যোদো নিউজ এজেন্সি য়াওনা জপানগী মেদিয়া খরনা ফোঙদোকপদদি শিবগী মশিং ৫ নি হায়খি।

অদুগা শোকখ্রবশিং অদুগী ফিভম কমদৌরিবগে হায়বা হৌজিমক্কী ওইনদি খঙদ্রি হায়রি।

এম আই ই প্রিফেকচরেল পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থৌদোক অদু হায়ড্রোজেন এক্সপ্লোজন ওইগনি চিংনৈ হায়খি।

ফেক্টরি অদুগী ৱার্করশিংনা য়োকাইচি সিটিদা লৈবা সিলিকোন প্লান্ট অমগী হিট একচেঞ্জ ইক্কিপমেন্টশিং তেংথোকপদা হায়ড্রোজেন এক্সপ্লোজন থোকপা ওইগনি হায়নসু ইনভেষ্টিগেটরশিং অদুনা চিংনরি হায়রি।

ফয়ার দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা পোকখাইবদগী হৌরকখিবা মৈ অদু মুথৎখিবগা লোয়ননা পোকখাইখিবা অদুগী মরম খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

## সেমসং ফেক্টরি শাগৎলিবশিং ইরাং হৌখ্রে



*হানোই, জনুৱারি ৯ঃ* ভিয়েটনামগী অৱাং থংবা শরুক্তা সেমসংগী অচৌবা ফেক্টরি অমা শাবা হোৎনরিবা শিন্মীশিংনা ইরাং হৌরক্তুনা সিক্যুরিটি গার্দশিংগা খুৎ থোক্লখিবগা লোয়ননা মোটোর বাইক অনিসু মৈ থাদোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট মেদিয়াগী পাউ অমনা হায়বগী মতুংইন্না কমপ্লেক্স অদুদা থেংনা লাকপা শিন্মী অমগা গার্দ অমগা মরৈ য়েংনরকপদগী শাউনরক্তুনা শিন্মীশিংগী ওইবা ইরাং অদু হৌরকখিবনি হায়রি।

ভিয়েটনামগী লোকেল ওফিসিয়েল ওইবা দুওং ঙোক লোংনা হায়বগী মতুংইন্না, ইরাং অদু পুং ৩ লোমগী মতুংদা পুলিসনা নেমথহনখি হায়রি। য়ুট্যুবতা থাগৎপা ভিদিওশিং অমদসু শিন্মীশিংনা রাইট গেয়ার শেৎ-চাবা পুলিসশিংদা নুংদুম চেকতুম লংবা উখি। অদুগা ফেক্টরি শাগৎলিবা কমপ্লেক্স অদুগী মফম খরদগী অমুবা মৈখু কারকপা উখি। লোংনা হায়বগী মতুংইন্না থৌদোক অদুদা মীওই ৪ শোকখি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক সেমসং অমদি অতৈ টেক্নোলোজিগী কম্পেনি খরনা ভিয়েটনামদা ফেক্টরিশিং হোংজিনবগী থবক কন্না হোৎনরক্লি। মরমদি ভিয়েটনামদা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল অসি য়ুমথংনবা চাইনাদগী হেন্না হোংবননি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ভিয়েটনামগী থাই ঙুয়েন প্রোভিন্সতা হৌজিক শিন্মী লিশিং ১০ রোমনা সেমসংগী অচৌবা প্লান্ট অমা শাগৎপগী থবক কন্না চংশিল্লিবনি।

## চাইনা কনখৎলক্লি, য়ু এসনা শোন্থরক্লিঃসর্ভে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ৯ঃ* য়ু এসকী দিফেন্স লিদরশিংগী চাদা ৮২ রোমনা থাজবদা কম্যুনিষ্ট চাইনানা মপাঙ্গল হেনগৎলক্লি। অদুগা অমেরিকান দিফেন্স সিষ্টেমনা মপাঙ্গল হন্থরক্লি হায়বসিদা থাজে হায়না সর্ভে অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

গেনেটস দিফেন্স নিউজনা চত্থখিবা দিফেন্স নিউজ লিদরসিপ পোল হায়বা সর্ভে রিপোর্ট অসিদা উৎপগী মতুংইন্না মরুওইনা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিজগী লিদরশিং, য়ু এসকী কংগ্রেস ষ্টাফ অমদি কন্সল্টেন্টশিংনা হৌজিক থাজরিবসি হৌখিবা চহি ৫ গী মমাংদা য়ু এস কী লৈরম্বা পাঙ্গল অদুদগী ঙসিনা য়াম্না হেন্না শোন্থরে। মসি প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা মীখলদা মায় পাক্লকখিবা মতুংদগীনি হায়বসিদা থাজে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমা ৱাশিংটন টাইমসকী পাউ অমদা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুদা হায়বগী মতুংইন্না সর্ভে চত্থবদা পাউখুম পীরকখিবা মীওই ৩৫০ গী চাদা ৩৯ লোমদি মশানা মশাবু রিপব্লিকানশিংনি হায়না শক তাকচৈ। অদুগা অপুনবা মশিং অসিগী চাদা ১৪ খক্তনা মশাবু দেমোক্রেটশিংনি হায়জে হায়নসু পাউ অদুদা ফোঙদোকখি।

অরেম্বশিং অদুনা রিপব্লিকান নত্রগা দেমোক্রেটস নত্তবা মরক্তা লৈবশিং ওইনা তাকচৈ হায়নসু ৱাশিংটন টাইমসকী পাউ অদুদা ফোঙদোকখি।

## মমাগা হকথেংনবদা নৌরিবা পীক্লিবা অঙাংগী হকশেলদা কান্নহল্লি

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ৯ঃ পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংগা মমাগী হকচাংগা হকথেংনবদা পীক্লিবা অঙাং অদুদা পীবা হকশেলগী কান্নবা অসি পোকপা মতুং চহি ১০ ফাওবদা অদুমক লৈ হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা নৌনা ক্লেম তৌরকখ্রে।*

*বার ইলান য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ডাক্তর রুথ ফেল্ডমেননা লুচিংদুনা চত্থখিবা অনৌবা ষ্টদি অমদা মরুওইনা থা শুদনা পোকপা অঙাংশিংগা অঙাং অদুগী মমাগা হকথেংনবগী তোঙান তোঙানবা থাকশিংদা করি চৈথেং লৈবগে হায়বসিদা ষ্টদি চত্থখিবনি। অকক্না হায়বদা রিসার্চরশিংনা চৎনরিবা ইনক্যুবেটরগী কেয়ার অমা ওইনা কঙ্গারু কেয়ার (কে সি) হায়না খঙনবা থৌওং অসিদা অঙাংশিংবু লুম্না লৈহন্নবগীদমক মমাগী হকচাংগী মৈশাগা চপ মান্নবা মৈশা অঙাংদা ফংহনবনি। হায়রিবা থৌওং অসিগা তশেংনা মমানা শোকপগা চাংদম্নদুনা মখোয়না ষ্টদি অদু চত্থখিবনি।*



*থা শুদনা পোকপা অঙাংগী মমাং ৭৩ দা থংন-থংননা নুমিৎ ১৪ নি নোংমদা পুং অমমমগী চাংদা অঙাংশিংদা হকথেংননবা খঙহনবনি। অদুগা চাংদম্নবা য়ানা রিসার্চরশিং অদুনা থা শুদনা পোকপা অঙাং ৭৩ দা ষ্টেন্দর্দ ইনক্যুবেটর কেয়ার ফংহনবনি। অদুগা পুন্না অঙাংশিং অসিগী মপুন্সিগী অহানবা চহি ১০ চুপ্পা মখোয়গী হকশেলগী ফিভমসু থেঞ্জাং ৭ লক্তা রিসার্চরশিং অসিনা লৌখৎলকখি। মদুদা থেংনখিবগী মতুংইন্না মপুন্সিগী অহানবা চহি অমগামখাই ফাওবগী মনুংদা য়েংবদা মমাগা হকথেংনখিবা অঙাংশিং অদুনা হেন্না সেন্সিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। মখোয়না খঙবা ঙম্বগী মঙম অমসুং থবক তৌবগী এবিলিটিসু থা ৬ তগী চহি ১০ ফাওবগী মনুংদা রিসার্চরশিংনা মোনিটর তৌদুনা য়েংখিবনি।*

*অঙাংশিং অদু মশাগী চহি ১০ শুরকপা মতমদদি মমাগা হকথেংনখিবা অঙাংশিংনা ষ্ট্রেসতা ন্যুরো এন্দোক্রিন রেস্পোন্স হেন্না ফজনা লৈরম্বা, ওটোনোমিক নার্ভস সিষ্টেমগী ফঙ্কস্নিং হেন্না মেচ্যুর ওইরম্বা অমদি খঙবা ঙম্বগী কন্ট্রোল হেল্লম্বা থেংনখি।*

*মসিদগী মখোয়না খঙবা ঙম্বদি অঙাং অমগী উনশাগা মমাগী উনশাগা অয়াম্বা মতমদা হকথেংনবদা অঙাংগী হকশেলদা হেন্না কান্নবা পী অদুগা কান্নবা অসি অঙাংশিংনা মপুন্সিগী অহানবা চহি ১০ ফাওবদি অদুমক লৈ হায়বা খঙবা ঙমখিবনি।*

*ষ্টদি অসি বাইওলোজিকেল সাইক্যাত্রি হায়বা চেফোং অদুদা পব্লিস তৌখিবনি।*

## য়ু এস নেভী হেল্লিকোপ্টর কাইবদা ১ শিরে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ৯ঃ* য়ু এসকী ভর্জিনিয়া ষ্টেটতা সমুদ্র মপাল অমদা ঙরাং য়ু এস নেভিগী হেল্লিকোপ্টর অমা কাইবদা ক্রু মেম্বর অমা হোস্পিটালদা শিখ্রে। অদুগা অতোপ্পা অমনা মফম খঙদা লৈরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

শিরবা ক্রু মেম্বর অদু হেল্লিকোপ্টর অদুনা কেপ হেনরিদগী নোংপোকলোমদা নোটিকেল মাইল ১৮ লাপ্পা মফম অমদা কাইখ্রবা মতুংদা রেস্ক্যু তৌখিবা মেম্বর ৪ গী মনুংদা অমনি হায়নসু য়ু এস কোষ্টগার্দকী ৱারোল পল্লদুনা জিনহুৱানা ফোঙদোকখ্রে।

ওঠোরিটিশিংনা ৫ শুবা ক্রু মেম্বর অমবু থিবগী থবক কন্না চত্থরি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী মরমদা করিমত্তা খঙবা ঙমদ্রি। অদুগা অমরোমদা ক্রু মেম্বর ৫ মক্কী মশক মমিং কোষ্টগার্দনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

নেভেল এয়ার ফোর্সেস এটলান্টিককী ৱারোল পল্লদুনা য়ু এসকী মেদিয়ানা হায়বদা, কায়খিবা হেল্লিকোপ্টর অদু এম ঐচ-৫৩ ই সি ড্রেগন হায়বা হেল্লিকোপ্টর অদুনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু থোকপা মতমদা হেল্লিকোপ্টর অদু অতোপ্পা চোপ্পর অমগা লোয়ননা ট্রেনিং মিসন অমা চৎখিবনি হায়নসু য়ু এস পাউ-চেশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

## পোলার ভোর্টেক্সনা নাইগ্রা ফোলস ফমজিনখ্রে



*নিয়োর্ক, জনুৱারি ৯ঃ* অমেরিকান পোলার ভোর্টেক্সনা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী অঙকপা থৌদোক অমা ওইনা মালেমদা মমিং লৈরবা নাইগ্রা ফোলস ফমজিনবগী শক্তম অমা উহল্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস কী মফম খরদা দিগ্রি সেলসিয়স -৫২ য়ৌনা টেম্পরেচর নেমথখিবদগী য়ু এস কানাদা ঙমখৈদা লৈরিবা লমকোইবশিংনা খ্বাইদগী পামজবা মফম অসিদা মীয়াম্বু অমুক উগে হায়বা ফংলরোইদবা শক্তম অসি য়েংনিংবগী থৌনা পীরে হায়রি।

রিয়ুটর্সকী ফোটোগ্রাফর অরোন হেরিজনা ঙরাং লৌরকখিবা শক্তম অসি কানাদাগী মায়কৈদগী অমেরিকাগী মমিং লৈরবা ঈশিং চাইবী অসিবু উৎপা শক্তমনি। ঈশিং চাইবী অসি ফিট ১৭০ চাইথরগা মখাদা লৈবা য়াম্না চাওরবা নুংপাক অমদা চাইথবনি। চহি অমদা মসিবু য়েংবা লমকোইবা মিল্লিয়ন ২০ গী চাংদা য়েংবা লাকপনি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




## SANALEIBAK SUDOKU

Prepared by : ROGER -A

SANALEIBAK SUDOKU -119

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 6 | | | | 2 | | 5 |
| | | | 9 | | | 4 | 7 | |
| | | 8 | | | | | | |
| | | | 7 | | 9 | | | |
| | 8 | 4 | | 5 | | | | |
| | | | | 3 | | | | 6 |
| | | | 8 | | | | | |
| | 9 | 3 | | | 7 | | 4 | |
| 1 | | | | | | | 6 | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 8 | 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 7 |
| 6 | 9 | 4 | 5 | 2 | 7 | 1 | 8 | 3 |
| 1 | 5 | 7 | 8 | 4 | 3 | 9 | 2 | 6 |
| 8 | 3 | 6 | 4 | 9 | 5 | 2 | 7 | 1 |
| 2 | 7 | 5 | 1 | 3 | 6 | 4 | 9 | 8 |
| 9 | 4 | 1 | 2 | 7 | 8 | 6 | 3 | 5 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 7 | 1 | 4 |
| 7 | 1 | 3 | 9 | 5 | 4 | 8 | 6 | 2 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*